সিনিয়র মেন্স বিজয় হাজারে ট্রোফিদা মণিপুরনা সিক্কিম্বু ৱিকেট ২দা থোইখ্রে

জয়পুর, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)গী মীৎয়েংমখাদা পাঙথোকপা সেনিয়র মেন্স বিজয় হজারে ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১-২২গী ঙসি রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা লৈবা কে এল সাইনি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা সিক্কিম্বু ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস সিক্কিমনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না শান্নখিবা অপীবা ওভর ৫০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ২৩০ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন সি এ কার্থিকনা শুপ্নগী বোল ৪০য়াম্না খোংজেল য়াংনা রন ৪৫ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী স্কোর অদুনা টিম অদুগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি।

সিক্কিমগী ইন্নিংস হৌদোকখিবা বেটসমেনশিং য়াম্না ফজবা স্কোর তৌবা ঙমখিদে। ওপনর লিয়ান খান বোল ৪১দা রন ১৫ লৌরমখি। অদুগা অতোপ্পা ওপনর নিলেস লামিচানে বোল ২৮দা রন ১০ খক লৌখি। টিম অদুগী কেপ্তেন ক্রান্থী কুমারনা বোল ৩৯দা রন ২৯ লৌখিবা লোয়ননা ৮শুবা বেটসমেন পালজোরনা বোল ২৯দা রন ২৭ স্কোর তৌখিবা পর্ফোমেন্সশিং অদু পনবা য়াই।

লী য়োং লেপচানা বোল ৩০দা রন ২৩ স্কোর তৌরম্বা অদুসু টিমগী অপুনবা রন ২৩০ য়ৌনবা হোৎনবদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইখি। এম দি সপ্তুলানা বোল ১৪দা রন ১৭ লৌবা ঙমখি। অদুগা ১০শুবা বেটসমেন রাহুলনা রন ৫ লৌরমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী কেপ্তেন হোমেন্দ্রোনা ওভর ১০ লংবদা সিক্কিমগী বেটসমেন ৩ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। মহাক্তা নত্তনা অতোপ্পা মণিপুরগী বোলর এম থোমাসনা ৱিকেট ২ অদুগা কিশন অমদি এম লোয়াঙম্বনা সিক্কিমগী বেটসমেন অমমম আউট তাহনখি।

মণিপুরনা ঙসিগী মায়পাক্কবা ওভর ৫০দা রন ২৩১ লৌবগী তঙাইফদবা লৈখি। অদুবু মণিপুরগী মায়কৈদগী হৌরকপা ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজবা ওইখিদে। ওপনর বোনি চিঙাংবম বোল ১১ মায়োক্লবদা শুপ্নগী রন ৭খক লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা ওপনর ৱাই কর্নজিৎনা বোল ১৪ মায়োক্লবদা রন ৯ খক লৌবা ঙমখি।

নিতেশ অমসুং জোন্সননা মণিপুরগী ইন্নিংস অদুবু শেমগৎলদুনা অফবা পার্টনর্শিপ অমা শেম্বা হৌখি। নিতেশনা বোল ৭২দা রন ৪৫ লৌরমখি। অদুগা জোন্সননা বোল ৫০ মায়োক্লবদা রন ৩২ লৌরমখি। টিম অদুগী ৫শুবা বেটসমেন এম লোয়াঙম্বনা বোল ৬৪ মায়োক্লবদা রন ৫২ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না রন অদু স্কোর তৌবা ঙমখি। ৬শুবা বেটসমেন জয়ন্তনা অমুক্কসু ফজবা ঙমদুনা বোল ৬৫ মায়োক্লবদা রন ৫০ লৌদুনা মণিপুরনা মেটচ অদু থোইনবগী লম্বেলদা পুশিনখি। এম লোয়াঙম্বনা লৌখিবা রন ৫২ অদুনা মণিপুরগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী য়াম্নবা রন ওইখি। অদুগা জয়ন্তনা লৌখিবা রন ৫০ অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

কেপ্তেন হোমেন্দ্রো রন ৪ লৌখি। ৭শুবা বেটমেন সহা বোল ৮ মায়োক্লবা মতমদা রন ৮ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী মায়কৈদগী আউট ওইদনা ৮শুবা বেটসমেন কিশন রন ৩ অমসুং এম থোমাস রন ৭ লৌদুনা লৈখি। বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা মণিপুরগী মায়কৈদগী রন ২৩৪ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না সিক্কিম্বু ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখি।

মায়থীখ্রবা সিক্কিমগী মায়কৈদগী বোলর কার্থিক সি এনা ওভর ৯ লংবদা মণিপুরগী বেটসমেন ৩ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায়পাকপা বোলর ওইখি। মহাকপু মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বোলর অদুদি মণিপুরগী বেটসমেন ২ আউট তাহনখিবা পালজোরনি। অদুগা এমদি সাপটুলা অমুদি লি য়োং লেপচানা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া ২-২দা দ্রো চৎখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

এসিয়াগী নুপাগী হোকিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোকি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া পাঞ্জল ২-২ দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না এসিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা লৈবাক তরুক্না শরুক য়াদুনা এসিয়ান হোকি ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা তরুক্লকশুবা ইদিসন ওইনা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা ঙসিদগী হৌখিবনি।

ধাকাদা লৈবা মুলানা বাসানি হোকি ষ্টেদিয়মদা মমাঙগী ইদিসনগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ললিত উপাধ্যেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ক্বার্টর অদুদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদে। অদুবু অনীশুবা ক্বার্টরদা মখা তানা ইন্দিয়ানা এটেক চথ্বা ঙমদুনা ১৮শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদা টিম অসিগী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা হর্মনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং য়াম্না কন্না হোৎনরত্তুনা শোম্খিবা পাঞ্জল অনী হন্দোক্লবা হোৎনরকপদা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী জোংয়ুন জাংনা পাঞ্জল ১ চনবা হৌখি। অরোইবা ক্বার্টরগী হৌরকপা ৪৬শুবা মিনটতা মেটচ অদুদা মায় পাক্কনি হায়না চাউনা থাজনরম্বা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা সাউথ কোরিয়াগী সুংহুন কিমনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা ২-২দা লৈখি।

মখা তারকপা মেটচ অদুদা নাকল অনীমক্তগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ অদু হয়েং বাংলাদেশকা লম্বা তৌনগনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা জপান অমসুং পাকিস্থান পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। টুর্নামেন্ট অসিদা হান্না য়াওগনি তৌরম্বা মালেসিয়াগী টিম কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৈবাক অদুদা লৈরকপদগী শরুক য়াদনা টিম মঙাগী লম্বা ওইরি।

জমশেদপুর এফ সীনা ওরিষ্যা এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ভাস্কোদাগামা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

গোৱাগী ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ২৯ শুবা মেটচতা জমশেদপুর এফ সীনা ওরিষ্যা এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নবগী ঙল্লিঙৈ ৩শুবা মিনটতা জমশেদপুরনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা পিটর হার্টলিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ২ ফাদ্রিঙৈদা ওরিষ্যাগী বেক পাস অমগী অশোয়বা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা জমশেদপুরগী গ্রেগ ষ্টেৱার্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা ওরিষ্যা এফ সীবু মিনট ৫গী মনুংদা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ওরিষ্যা এফ সীগী শান্নরোয়শিং ঙন্না পাঞ্জল ২ চনশিল্লকখিবা অদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী চুংশিন্নবা মশান্না অদু পুখৎনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা জমশেদপুর এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মখোয়না ফংখিবা ফ্রী কিক অমা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা গ্রেগ ষ্টেৱার্দনা য়াম্না ফজবা মওংদা ওরিষ্যাগী গোলকিপর কমলজিৎ সিংহবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী ওই থংবা পোষ্টকী কাচিন্দা চঙহনখিদুনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু ২১শুবা মিনটতা ফংখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ২৪ ৱাংখি। অদুবু শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা জমশেদপুর এফ সীনা মখা তানা চথ্খিবা এটেক অমদা টিম অদুগী ওইনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা গ্রেগ ষ্টেৱার্দনা মহাক্কী হেট্ট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদুগা মেটচকীনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। লেমহৌবা মতম পাঞ্জল অহেনবা লৈখিদে। জমশেদপুর মায় পাকপা অদুনা টেবলগী ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎখি।

সিল্কিনা কেপ্টেন ওইবা ইন্দিয়াগী টিমনা স্রি লঙ্কাবু ৫-০দা অহানবা মেটচ অদু মায়থীবা পীখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

বাংলাদেশ কোনুং ধাকাদা পাঙথোকপা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী চহী ১৯ মখাগী ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অহৌবা নুমীৎতা মণিপুর মচা হেমাম সিল্কিনা কেপ্টেন ওইবা ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা শান্নবা হৌখি। শুপ্নগী ২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সন্তোশনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। সন্তোশকী পাঞ্জল অদুগী মতুং কারেন এষ্ট্রোসিওনা হেদ্দিং অমা তৌশিল্লগা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। ইন্দিয়াগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা নিতু লিন্দানা মহাক্কী টিমমেট অঞ্জুনা খায়দোরকপা বোলদা চনখিবনি।

নিতু লিন্দানা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা স্রি লঙ্কাবু মখোয়না ৪-০দা হেল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা শান্নবগী লোইরমদাইদা ইন্দিয়াগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৫-০দা থোইখি।

নেরোকা অমসুং এ এফ সী মখোয় মখোয়গী লম্বা থোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাওন্দদা চথরিবা খুমুকচম জয়কিশননা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফূটবোল টুর্নামেন্ট-২০২১গী ঙসি শান্নবা মেটচ অমদা নেরোকানা কে আই ৱাই সীবু মায়থিবা পীখি। অদুগা এ এফ সীনা মুভানলাই এথলেটিক্সপু থোইখি।

নেরোকা এফ সী অমসুং কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু নেরোকা এফ সী পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা মংলেনথাংনা নেরোকাগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী মখা তারকপা বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী এটেক চথরকখিবদা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর-১৪ এল দেভিদনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। হাফ অদু লোইগদবা মিনট ফাদ্রবদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নেরোকাগী জর্সি নম্বর-১০ মংলেনথাংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৩-০দা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী নেরোকানা ৩-০দা থোইখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা এ এফ সী থৌবাল অথোকপম অমসুং মুভানলাই এথলেটিক্স লম্বা তৌনখি। মেটচকী পূংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নখিদে। অদুবু ৩৮শুবা মিনটতা এ এফ সীগী সহিদুরনা একাউন্ট হাংদোক্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মুভানলাইগী কাইমিন লেননা ইক্কেলাইজর অদু চনখি অদুগা লোইরমদাইদা এ এফ সীগী ফরিক শাহনা ৮৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা থোইখি।

মণিপুরনা মায় পাক্নবা রন ২৪৫ মখা তানা লৌবা তারি

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

ওরিষ্যগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কে আই আই টি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নরিবা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী কুশ বিহার ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকীতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু মায়থিবা পীননবা মখা তানা রন ২৪৫ লৌবগী তঙায় ফন্দবা লৈরি।

মেটচ অদুগী টোচ অরুনাচল প্রদেশনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৯৭ লৌবদা মণিপুরনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু শুপ্নগী রন ৭৮দা লোইশিনখি। অরুনাচলনা অমুক অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ২২৪ লৌবা ঙমখি। মণিপুরনা মায় পাক্কবা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ঙসি নীনি শুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিল্লকপদা রন ৯৯ লৌরগা ৱিকেট ৩ তুখিবদগী মেটচ অসিদা মখা তানা মায় পাক্নবা ২৪৫ লৌবা তারি।

মিট জোন এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

দি য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসন শীংজমৈনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা দে এন্দ নাইট ওপন ৪ এ-সাইদ লেট থোকচোম অনৌবী দেবী মেমোরিয়ল সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মিট জোন এফ সীনা এস আর এ সী নুঙ্ভুবু ৬-১দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচতা কিরন এফ সীনা ঐচ পি এস দি লংদুমবু ৩-১দা থোইখি। অদুগা ১১শুবা মেটচতনা সলাই এফ সী কোংবনা সী ঐচ ইবোয়াইমা স্কুলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি দোঙেলবু সঙাই জিমনা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

পি দোঙেল আই পি এস, মিষ্টর ইন্দিয়ানা মণিপুরগী অনৌবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরকপদা খাগেমপল্লি পন্থকতা লৈবা সঙাই জিমগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। জিম অসিগী কোচ এন রঞ্জিৎনা ফোঙদোরকপদা বোদি বিল্ডর (মিষ্টর ইন্দিয়া) অমনা ষ্টেট অমগী পুলিসকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা পোষ্ট পায়রকপা অসি অখাঙ কনবা অমদি পূক্নিং চঙবা মথৌ তাই। শান্নরোয়শিংদসু মতৌ তম্নবা খঙহনখি।

মিং ওন্নখিবা

চেফোঙ অসিগী দিসেম্বর ১৪দা য়াওখিবা চেছ মীখলগী পাউদা রিটর্নিং ওফিসর ওইখিবা তায়েঞ্জম বিরেন হায়না ইখিবা অদু তায়েঞ্জম ধিরেন হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

-প্রুফ রিদর

মণিপুরগী টিমনা রন্নর্সঅপ তাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা অসাম পেনকাক সিলাট এসোসিএসননা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১০দগী ১২ ফাওবা জোরহাটতা পাঙথোকখিবা মরিরকশুবা নোর্থ ইষ্ট পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা রন্নর্সঅপ তাখ্রে।

মণিপুরগী শান্নরোয়শিং, কোচ, ওফিসল অমদি রেফরী অমসুং মেনেজরশিংবু ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা থাগৎপগা লোয়নন হরাও তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টিমনা গোল্ড ৫১, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১৩ পূন্না মেদল ৮৬ ফংলকখি।

মণিপুরগী থাঙ তাগী টিম লমথাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

জম্মু এন্দ কাশ্মির থাঙ-তা এসোসিএসননা দিসেম্বর ১৮দগী ২১ ফাওবা জম্মুদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭শুবা থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম ঙসি উরিপোক এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম মিনাবন্তনা লমথাখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলুপ অমদি ৱেথ কাঙলুপতা মশান্না অনীদা নুপা অমসুং নুপীগী অপূনবা শান্নরোয় ১১৬ য়াওরি। লোয়ননা থাঙলোন, থাঙ হাইবা অমসুং খোঙলোন-খূৎলোনদা শান্নরোয় ১৮না শরুক য়াগদৌরিবনি। ঙসি শান্নরোয়শিং অদুবু লুচিংখিবা ওফিসল তরুক য়াওরি। মদুদা টিম কোচ, এসিষ্টেন্ট কোচ, মেনেজর অমসুং এসিষ্টেন্ট মেনেজর অমমম য়াওরি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 319

Morozevich, Alexander (2731) - Carlsen, Magnus (2675)
GM Biel SUI (7), 2006.07.31

1.e4 c5	2.Nf3 Nc6	3.Bb5 Nf6
4.Bxc6 dxc6	5.d3 Nd7	6.Bf4 g6
7.Qc1 Bg7	8.Bh6 Qa5+	9.c3 Ne5
10.Nxe5 Bxe5	11.Nd2 Qa6	12.Qc2 Be6
13.f4 Bc7	14.O-O f6	15.c4 O-O-O
16.a4 Rd7	17.a5 Rhd8	18.Ra3 Bxa5
19.f5 Bf7	20.fxg6 hxg6	21.e5 Be6
22.exf6 exf6	23.Nb3 Rxd3	24.Nxc5 Bb6
25.Rxa6 Bxc5+	26.Kh1 bxa6	27.Bg7...

QUESTION :
Black to Win

Puzzle 318 Ans. :
34. Nxh6+ gxh6 35. Rf1+ Rf2 36. Rxf2+ Nf4
37. Rxf4+
1-0

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (1/W)
ꯁꯪꯒꯥꯏ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜ
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION cum REVISION COURSE for
CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)
Class commencement : 6th December 2021 (Time : 4:00 pm - 7:30 pm)
Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.
3rd POSITION KHUMANTHEM BOBOSANA
4th POSITION WANGKHEIMAYUM RANJAN
8th POSITION WAHENGBAM THOIBENBA
9th POSITION YAIPHABA OINAM
20th POSITION MANGAL MOIRANGTHEM
22th POSITION IHUNGBAM ARJUN
90.5% HSLCE KHOIJEMBAM NGANTHOIBA
Special features : Chapterwise Test Series. We provide printed probable questions and answers. Hostel for Boys & Girls. Van Service available
Form available at 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
For more details pllz. contact #8413855751 / 9862712287
HL-P/0799/1-15/12

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / TENDER NOTICE NO:- 55
Dated/Imphal, the 13th December, 2021.

The undersigned invite tender in PWD Form – 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 27th December, 2021 up to 3.30 PM.

Sl. No.	Name of work	E/Cost	E/Money	Cost of T/Form	Time Allowed
1.	Renovation of IEI in the T/II Qtr. 6 nos. occupied by Revenue Staffs, driver, grade IV staffs at Chandel.	Rs. 5,64,714/-	Rs. 11,294/-	Rs. 500/-	15 days
2.	Maintenance of IEI in the T/III 4 nos. occupied by PWD Staffs at Chandel.	Rs. 5,38,650/-	Rs. 10,773/-	Rs. 500/-	15 days

The tender will be opened by the undersigned on 27th December, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 23/12/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money / Demand Draft / Banker's Cheque / Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 24/12/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No. II.
PWD, Manipur.

HL-B/7364/15

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 4th December, 2021

No.104/4/2021-DHS: In continuation of this Directorate Notification of even No. dated 20th August, 2021, 18th, 23rd September, 2021, 12th, 16th, 24th November, 2021 the counselling for selection of candidates for admission into the M.Sc.(N), B.Sc.(N), GNM/ANM, courses, 2021-22 is re-scheduled on 18th December, 2021 at 10:15 a.m. onwards.

Sl. No.	Name of Courses	Institutions	Merit list No.	Registration	Counselling
1	B.Sc. Nursing - 8 seats (surrendered)	3- CON,RIMS 5- CON, Medical	01 to 200	8:30 a.m. to 10:30 a.m.	10:45 a.m. onwards
2	M.Sc. Nursing - 1 seat (surrendered) for ST candidate	CON, Medical	All ST candidates		
3	GNM - 30 seats	GNM Training School, Churachandpur	01 to 200		
4	ANM - 70 seats	30- FHW Training School, Imphal, 40- FHW Trg. School, Lamphel			

Candidates within the Merit List of the respective courses given above are hereby informed to report this Directorate on 18th December, 2021 at the specified time for registration with all the necessary documents in original, failing which they will not be allowed to appear before the Selection Board. For the above mentioned candidates, who are absent at the stipulated date and time, no claim shall be entertained later on and is not eligible for subsequent counsellings.

Another round of counselling will be held on 29th December, 2021 if there is any vacant seat available for the academic session, 2021.

Further information can be had from our official website: www.manipurhealthdirectorate.in

Sd/- Dr. K. Rajo Singh
Director of Health Services, Manipur

HL-P/0925/15

THE HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL

ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ / ADVERTISEMENT
Imphal, the 10th December, 2021

No. HCM/A-24/80-Estt.(V)Pt.I./ Applications are invited online for filling up of the following post in the Scale of pay as given against the post

Sl. No.	Name of Post	Scale of Pay	No. of Post					
			UR	ST	SC	OBC (M)	OBC (MP)	TOTAL
1.	Cook	Rs. 5200-20200 + Grade Pay of Rs. 1900/-PM plus other allowances as admissible under the Rules	1	0	0	0	0	1

Details along with the mode of application are available in the High Court website – *http://hcmimphal.nic.in*.

Important Dates:

- Opening of Online Registration and Submission of Application Forms: 20-12-2021(11:00 A.M.)
- Closing of Online Registration and Submission of Application Forms: 03-01-2022 (04:00 P.M.)
- Download of Admit Cards: will be notified later in the official website www.hcmimphal.nic.in

Sd/-
(PH. JAPAN SINGH)
I/C REGISTRAR (ADMN.)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/7355/14,15

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com